# ‘মীতৈ নুপীদি লাইরেম্বীনি’

**- এল ইবোমচা -**

মীতৈ নুপীশিংদি নুপীনা ঙন্বা নুপাগী মবেন্মা নত্তে, মরন্নাই মপুং ফাজরবা নুপাগী মনাইসু নত্তে। মহাক্তি পূন্সিগী অকা-অকুমদা খুজেং পালোইনদুনা ফিদুপ খ্বাংচেৎ শেৎতুনা অৱা-নুংঙাই খাইবোক য়েন্নবী নুপা ওইবগী পূন্সি খোঙলোই লোয়নবীনি। তাইবঙগী যূম পানবা পূন্সিদা খোঙদারক্লবা মতমদা মপুরোয়বা অমদি মনেম-মকুগী সেবাদা, যূমগী কুপনোমগী থবক্তা মপামগী মপা, মমা, মবুং-মৌপ্বাগী ঙাইহাক্তং ফাও নীংশিংবা শংদবা মীতৈ নুপীশিং ঙাক্লি। মীতৈ নুপীশিংদি নুংশিবা, নোল্লুকপা, থাজবা অহুন্না তিল্লবী নুপীনি। হায়রিবা গুণ অহুমসি লৈশাবী ওইনা মপা-মমাগী যূমদা লৈরিঙৈ মতমদা অমদি ময়ূম-মকৈ পানবগী পূন্সিদা খোঙদারক্লবা মতমদা মীতৈ নুপীশিংদা চেন্দুনা লৈনৈ। হায়বদি লৈবাক লৈগুম্না অখাং কনবী, হৈপাল-লৈপালগুম্না ফত্তবগী অফবা হনবী, মিংশেলগুম্না তরং-তরংনা ঙাম্থোইবী মীতৈ নুপীনি। তশেংনা হায়রবদি মীতৈ নুপীশিং অসি মোইরাং কংলৈরোলগী তরেৎশুবা লাংওন ওইরিবা খম্বা-থোইবী ৱারীদা য়াওরিবা মোইরাং থোইবীগী ঈ মরী চারোল-শুরোল ঙাক্তনি হায়বা য়াই।

মোইরাং থোইবীগী য়াম্না শীংথানীংঙাই ওইরিবদি মাগী পূক্নিংগী অরেপ্পা অদু হোংদোকপা পামদবদগী লিংজেল খারবা মপাবুংগী খুজিন থৌরাংদু কোরৌ নোংমদোলনা ৱাংবরা, পন্থৌ মানা মৱাংই, মালেম মানা লূম্বরা, পলেম মানা মরূম্মী হায়বা খঙনা-খঙনা অকন-অরিং শীংনদুনা মহাক মশা মতোমতা অৱাবা পীজরগা মপাবুং চীংখুবগী মফমদা মীতৈ নুপীগী থৌনা লিংজেল-গুণ উৎখিবা মীশক্লি। মরম অসিনা মোইরাং থোইবীগী অশেংবা ঈ মরী ওইরিবা মচা-মশু, শুথাং শক্লবী মীতৈ চনুশিংদা মোইরাং থোইবীগী মগুণ কয়ামুক অসি ৱাত্তনা চেল্লি। চেনফমসু থোকই। অদুননি ঙসি ঙসিসু মীতৈ নুপীশিং অসি খাঙবা কল্লি, শূবা-নোম্বা কল্লি, মীনুংশি চাউই। মতেং পাংবীনবা লৈজদ্রবী লুখ্রাবী মীতৈ নুপীশিংনা অমুক্কা হেন্নদুম খাঙবা কল্লি, শূবা-নোম্বা কল্লি অমদি মীনুংশি চাউই। মরম অদুনা লুখ্রাবী মচা লেম্না মাঙদে হায়না শীংথানৈ। লুখ্রাবীশিং পাত্তা চৎতুনা ঙা তিক্লুরগা কৈথেলদা পুরদুনা শেন্দোং খরদং ফংনবা য়োল্লি। খরা অমনা মীগী হজিরা চৎলি, নূঙ-লৈঙোই পেকপা য়াওরুই অমদি খুল্লং কুম্বা চৎলি, অরেম্বদা ঙাইহাক ফাওবা লৈথোক্তে।

নুপানা ঙমদবা মতমদা নুপীনা ইমুং-মনুংগী অৱাৎপা পূন্নমক খ্বাংচেৎ মচি লাংনা পুই। নুপাগী মতেংনা নুপীগী শূজ-নোমজবদা থোইদোক্না মথোই কাজবী মীতৈ নুপীশিংনি, মপুরোয়বা নীংবীশিংনি। লাইবক থীরবী মপুরোয়বা কায়নরবী লুখ্রাবীনা মপুরোয়বগী মহুৎ মরেং শিন্দুনা চাবা মচেৎ, তূম্বা মচেৎ তৌদুনা মচা শেন্মী অৱাবা পুই। ইমুং-মনুংগী কুপ্লোমদা অহোবা অমত্তা লৈহন্দনবা হোৎনৈ। মচা পীজদবা য়াদে, লাইরিক তমহন্দবা য়াদে, মফি শেৎহন্দবা য়াদে খন্না হোৎনবা য়াবা কয়া ঈজৎ লৈনা হোৎনৈ, মচাগী মমাঙদা ঈশৈ ঙং-ঙংদুনা, শক্লদুনা অৱাবা মশক উহন্দে। কুমজা ১৯০৪/০৫দা মণিপুরদা অহানবা নুপী লান থোকখি। লান অদু মীতৈ নুপাশিংগী ঈজৎ কন্নবগীনি। কুমজা ১৯৩৯দা অনীশুবা নুপী লান অমুক থোকখি। লান অদুনা মণিপুরগী চেঙ মিলদা তকথোক্লগা মপান্দা লোইনা থাদোকখিবদগী মণিপুরদা চেঙ ফংদবদগী চাক তাঙবা থোরক্তুনা শিবা তারকপদগীনি। থৌদোক অসি থোরকপদা মণিপুরগী নুপা অমত্তনা লান হৌরিবী নুপীশিংদা মতেং পাংবীবা তৌদে। মীতৈ নুপী কয়াবু চৈ থাংবীবা তৌবদা অৱাবদা মতেং পাংবীবা নুপা অমত্তা চোংথোরক্তে। অদুবু অদুক য়ৌনা খম থেংনা ৱারবসু অঙাওবী নৎত্রগা অহল ওইরদুনা শূবা-নোম্বদা ঙমজদ্রবী অহল ওইরবী নুপী নত্তনা কনাগুম্বী নুপী অমত্তনা ৱারে হায়না ভিক্ষা নিবা চৎতে। নুপা মরক্তা হাইনা হুম্না থবক শূবদা কনাগুম্বা নুপানা থকসি-খাসি নাইরক্তবদা নুপা ফূধবা ঙম্বা মীতৈ নুপীশিংনি। মরম অসিনা মালেম অসিদা মীতৈ নুপীশিংগা চাংদম্নবা য়াবা অতৈ নুপী অমত্তা লৈতে হায়বা য়াই।

অমরোমদা কুম অমা হায়বসি থা তরানিথোই অসিবুনি। মীতৈ লৈবাক্তদি শজিবু থানা অনৌবা কুমগী মকোক্নি। শজিবু-কালেন থাবু ওলাংথা কৌই। ওলাংথাগী মৈশানা জিবশিং লেকথৈ। নোং চুদে, লৌবুক লম্ফাং ইকং কংই। ইঙা-ইঙেন, নোংজু পান্থা ওই। মহৈ-মরোং চুম্মী নোংনা খোঙ-খূৎ চোৎলবসু নুংঙাইবা মতমনি, নুংশাগী মৈশাবু নোংজুনা ফাজিনবা থানি। থৱান-লাংবন ৱান্থবা থা হায়রগা কৌনৈ। থবক শূফম নোম্ফম খঙদে, চাবা থকপা মহাও য়াওদবা মতমনি। মেরা-হিয়াঙ্গৈ থাবু হেমন্ত ঋতু হায়দুনা খঙনৈ। অশাবদগী অমেংবা নুংশিৎ শিৎলকপা, নোং-চীংগী থোইনা ৱাদবা, পূক্নিং হকচাং ফবা নীংথম চঙলকপা থানি। লেঙ্গোন্নরদুনা পূন্না লাকপা থা অসি সনা লৈবাক মণিপুরগী ওইনদি হরাও কুম্মৈ থানি। হায়বদি মেরা চাউরেল হৌবা, মেরা হৌ-চোংবা, ৱা য়ুংবা, দুর্গা পুজা, হিয়াংথাং বর, দিপাবলি অমদি নিঙোল চাক্কৌবা থানি। পোইনু-ৱাকচীং, নীংথম থানি। নোংজু থানা পীবিরম্বা মহৈ-মরোংশিং লোক্লক্তুনা পুক্কে-লনগৈ থনবা থানি, লায়রববু নুংঙাইহনবা থানি। তাইবঙ মীওইবা য়াওনা জিব পানবা পূন্নমক নুংঙাইরবা থানি। নুংঙাইবগী জ াৎতা উচি ফাওবা নুপী লোনবা থানি হায়নরিবনি। অদুবু ৱাকচীংগী খারবা উলেননা জিব পানবা পূন্নমক তুফক-তুফাইনা চন্নবা থানি। ফাইরেল-লমতা, বসন্ত থানি। উপাল-ৱাপাল পূন্নমক্কী মখোক লোরবা মনাশিং ফাইরেলগী নুংশিৎনা কেলহনবা থানি। কুমগী নোং খোংলক্তুনা মণিপুরগী চহী অমগী মরাইবক খঙবা থানি।

কুম অমগী থা তরানিথোই লৈরিবসিগী মনুংদা মণিপুরগী নিঙোলশিংনা খৌরাংনা ঙাইবা থা হায়বা তারবদি মেরা, হিয়াঙ্গৈ থা অনীসিনি। খৌরাংনা ঙাইবা নুমিৎনা হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নুমিৎ অসিনি। যূম্নাক শাগৈ ওন্দুনা লমদম তাম্না ময়ূম পানখ্রবী নিঙোলশিংদি মেরা থানা য়ৌরক্লবদি খূৎশা থেক্তুনা হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নুমিৎকী মশীং পাবা হৌনরক্লে। মীতৈশিংগী হরাও কুম্মৈ কয়ামরুম লৈরিবশিংগী মনুংদা নিঙোল চাক্কৌবগী কুম্মৈনা খ্বাইদগী চাউরবা কুম্মৈনি। অদুগা কুম্মৈ অসি কয়ামুক য়াম্না লিরবা কুম্মৈনো হায়বদা মীগা লাইগা ইশম-শম্নরিঙৈদগী অদুম পাঙথোক্তুনা লাক্লে হায়না অইবা লাইরিক কয়াদা থেংনৈ। হায়বদি হৌজিক্তি মণিপুরগী ময়োল লম ওইরিবা কংলানা কোনবা মফম অসিবু ইম্ফাল হায়দুনা খঙনরে। মমাঙঙৈ মতমদদি তম্পাক্তা লৈবা অতোংবা মফমনি হায়দুনা পুঙ হায়না খঙনরম্মী। অমুক্কসু হেন্না তোংবা মফম অসিবুনা কংলা হায়দুনা খঙনৈ। মফম অসিদা কোনুং ওইদুনা ফম্বাল মেন তোংবা মীতৈ নিংথৌগী চৎনবী ওইদুনা অদুম লাকই। খৃষ্টকী ৩৩শুবা চহীচা মফমসিদা ইবুধৌ মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবনা পোইরৈতোনগী মচন ইবেন্মা লাইস্নানা লৈমরেম্বী ওইদুনা মীতৈ লৈবাক্তা অহানবা নিংথৌ ওইনা পানবা হৌখি। মতমদুদা লৈমরেম্বী লাইস্নানা মবুং পোইরৈতোনবু চহী খুদিংগী হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নুমিৎনা লাকপদা চাক কৌরম্মী। কোন্নথংদা পোইরৈতোন্না মচল লাইস্নাবু চহী হেক খুদিংগী হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নুমিৎনা লাকপদা ময়ূমদা ওইনা কৌদুনা নিঙোল চাক্কৌবা হৌদোকখি। অদুগা চাক্কৌবগী চাক চাবা তোক্লবা তুংদা দক্ষিনা তৌনবগী চৎনবীসু লৈরকখ্রে। মোইরাংখোম কৈথেল অসিসু পোইরৈতোন্না মচন লাইস্নাদা দক্ষিনা ওইনা তৌখিবগী ৱারী লৈ। মতৌ অসুম্না নীংশিংবা থোক্ত্রিঙৈ মতমদগী হৌনা কুম কাংদনা ঙসি ফাওবা নিঙোল চাক্কৌবগী কুম্মৈ অসি মণিপুরদা হৌখিবা চহী ফাওবদা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। লাইবক থীবদি মণিপুরদা শৈদাংফম মফম লৌরিবা নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংনা হৌখিবা মে ৩, ২০২৩, যূমশকৈশা নুমিৎকী য়াচংবদগী মীতৈশিংগী মথক্তা লান্দারক্তুনা যূম কয়া মৈনা তুম্না থাদোকপীবা, মীওই কয়া অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা অশি-অনা, অশোক-অপন নংহনখিবা, মীওই কয়ানা থিবা ফংদবা অমদি মীওই লিশীং ৬৫/৭০না লাঞ্জেন্নদুনা ৱানা পূন্সি লেল্লিবশিং অদুগী য়েংলগা হন্দক চহী ২০২৩গী নিঙোল চাক্কৌবা পাঙথোকপীরগনু, চাক কৌবীরগনু হায়না নিঙোলশিংনা মবুং-মৌপ্বাশিংদা ফোঙদোকখ্রে। হন্দক্কী কুকিশিংগী লান অসিদসু মীতৈ নুপীশিংনা লৌখিবা থৌনা লিংজেলনা ইম্ফাল সহর কুকিশিংগী মখূত্তা তারমগদবদা শম্নাদা লিৎহৌবনি নৎত্রবদি কুকিশিংগী মখূৎতা শোয়দনা তারমগনি। অসুম্না হৌজ থেঞ্জাং কয়ারক্তা লৈবাক্কীদমক মীতৈ নুপীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরদুনা লাক্লি। হৌজিকসু কুকিশিংনা ইমা লৈবাক মণিপুর মৈ থারকপদগী কন্না চাক্লি, নিঙোল চাক্কৌবা লায়রি হান্ননা খাম্বী মৈকল হৌদবা য়াদে, হন্দক্কী চহীগী নিঙোল চাক্কৌবা তোক্লে হায়না মীয়ামদা লাউথোরক্লি। মসিনা তাক্লিবদি ‘মীতৈ নুপীদি লাইরেম্বীনি-!’ পূন্নমক্কী যূম্বুরেম্বীনি। ●

# চিংথনরোইসি, ইনখৎনসি

**মতম মতমগী**

**গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্মা**

চৈরাওবা মশীং য়াম্না য়াওরকপনা নীংশিংবগী শক্তি হন্থরক্লবসু মমাঙথক্তা থেংনখিবা কাউঙমদবা থৌদোক কয়া লৈ। ঐখোয়না নহা ওইরিঙৈ স্কুল তন্লিঙৈদা থোকখিবা থৌদোক অমা নীংশিংলকই। মতমদুগী পরিক্ষাদা জিওগ্রাফিগী সবজেক্তা অহানবা ৱাহংসি ইন্দিয়াগী মেপ অমা য়েক্লগা অপীকপা লম খরা মফম চানা থাহনবনা ওই। মতমদুদা পরিক্ষাদা মনীং-মমাঙ ফম্মিন্নবা ঐখোয় মশেল তাথোক-তাশিন অদুম তৌনৈ, পাক্তক্লনা শিন্নবমক নত্তবনা ওজানসু লাংগনু হায়বা নত্তনা করিসু হায়দে। নোংমা পরিক্ষা হোলদা জিওগ্রাফি থোকপা নুমিৎতা পরিক্ষা থারিবা ঐখোয় মহৈরোয়শিংগী মরক্তা দিমাপুরগী মতাংদা চয়েৎনবা অমা থোকখি। মহৈরোয় খরনা দিমাপুর অসি নাগালেন্দগী মনুংদনি হায়, খরা অমনা অসামগী মনুং চল্লি অসিনি। য়েৎনরিঙৈদা ঙাঙবা য়াম্না কনবা, মরৈ য়াম্না য়েৎকনবা চাউবনা অসামগী মনুংদা লৈবা সহরনি হায়দুনা খুদমকা পীদুনা কংয়েৎ হেক্তা য়েৎলি, মানা হায়, মমিংসিদগীসু অদুম লায়না খঙবা য়ারবনি খুজুমা, কোহিমা অমদি পিসেমা হায়রিবা লমশিং অসিনা নাগালেন্দগী মনুংনি। অদুগা টেজপুর, দিসপুর অমসুং দিমাপুর হায়বনচিংবা অসিনা অসামগীনি, মসিনি মানা হায়রিবসি। মতমদুদা ঐখোয়না দিমাপুর ফাওরগা স্কুলগী এক্সকর্সন চৎপদা উখিবা দিমাপুরগী শক্তম, মরু ওইনা লম্বী সরক অমদি বজারদা নাগালেন্দগী য়েলহৌমী কয়া উদবা অমদি নন-লোকল মশীং য়াম্না উখিবদু নীংশিংলুরগা মানা হায়বদুনা চুম্লবোই নীংদুনা হান্না নাগালেন্দগী বোর্দর টাউন ওইনা ইখিবদু মূখুৎলগা অসামগী বাউন্দরি মনুংদা অমুক ইরম্লে। পরিক্ষা লোইবগা এটলাসতা য়েংবদদি অশেংবদু খঙখি, নাগালেন্দগী মনুং চনবা ওইরম্বনা পরিক্ষা অদুদা নম্বর মাঙখি।

দিমাপুর নাগালেন্দগী বোর্দর টাউন ওইজরবসু য়েংবদা নাগালেন্দগী লম মান্দে, নাগালেন্দনা চীংগী লমনি, দিমাপুরনা পুরা প্লেননি। ৱেদরসু অদু মঙাই নাগালেন্দনা চীংগী লম ওইবনা কালেন থাগী মতমদসু থোইনা শাদে অদুগা দিমাপুরনা পুরা ওন্ন-তৈনবনি। মমাঙঙৈদা ইম্ফাল-গুৱাহাটি দাইরেক্ট বস সর্ভিস লৈত্রিঙৈদা মণিপুরদগী কংফাল লম্বীদা মপান্দা চৎপা মতমদা দিমাপুর ফাওবা এম এস টিগী বসতা চৎলগা দিমাপুরদগী ত্রেন তোংনরম্মী, মফম অদুদা ত্রেন ঙাইবদা মফম অদুগী মওং-মতৌ অয়াম্বা খঙই। অচৌ-অচৌবা করবারদগী হৌরগা লল্লোন-ইতিক মচা-মচা তৌরিবা মীওইশিং অয়াম্বনা নন-লোকলনি। মণিপুরী হোটেল অমদি মীতৈ হোটেল থাবা মীতৈ অমসুং মীতৈ পাঙলনা ফম্বা চাক হোটেল খরসু লৈ। লোলসু মফম অদুগী লোলনি হায়বা অকক্লবা লৈতে হায়। হিন্দি, অসামিজ, নাগাজিম অমদি মণিপুরী ফাওবা অদুম ঙাঙনৈ। অদুনা দিমাপুর অসি নাগালেন্দগী মনুং চনবা লম ওইজরবসু লমদম অদুদা মৈহৌরোলদগী খুন্দারক্লবা নাগালেন্দগী য়েলহৌমীশিংগী মখূৎতগী নাম্থোকখ্রবা লমদম অমা ওইনা উরে।

মণিপুরদসু অদু মঙাই মপাম্থোংদা লমদম অসি মীতৈ, মীতৈ পাঙল অমসুং চীংদা খুন্দারিবা চীংমীশিংগীনি হায়জবগী ৱানি মীতোপ্পা মশীং হেন্না লৈবা, হীরম খুদিংমক্তা মখোয়না কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লগদবা মফম কয়ামরুম লৈরে। কুমজা ১৯৫১দা মণিপুরগী অপূনবা মীশিং লাখ ৫.৭৮গী মনুংদা মীতৈনা চাদা ৫৯, ত্রাইবেলনা ৩৪ অমসুং মীতৈ পাঙলনা চাদা ৬ ওইরিঙৈদা চাদা অমখক ওইরম্বা মীতোপশিং ঙসিদি অপূনবা মীশিংগী তঞ্জাই য়ৌশিল্লক্লে। সেনাপতি দিষ্ট্রিক্তা কাঙলূপ-ফুরূপকী ওইনা য়েংবদা পাউমাইগী মথংদা নেপালিনা মশীং য়াম্বা ফুরূপ ওইরি। কাংপোকপীদদি মীখলদা মীতোপ্পা মায় পাক্তুনা এসেমব্লি য়ৌখিবা থেংনখ্রে। মমাঙগী মীখলদসু মীতোপ্পা য়াম্না নক্না সেকেন্দ তাখি, অতৈ লোকলগী মীরেপশিংদি মমিংতগী ওইনা লেপ্পগুম তৌখি। ঙসিসু এসেমব্লিদা মীতোপ্পা মীহুৎ ওইবা এ সী য়াওরি।

ইম্ফাল ময়োলদসু বজার মনুংগী দুকান অয়াম্বা নন-লোকলশিংগীনি, বজার মনুংদা য়েলহৌমীনা মশীং য়াম্না উরিবসি অয়াম্বনা পোৎ লৈবা লাকপা অমসুং দুকান্দা থবক য়াওবশিংনি। লমদম অসিগী চুম ছোদি মপান লমগী মীওইশিংগী মখূত্তা তাখ্রবনি। মীখলদসু অদু মঙাই আই এম সীগী মীখলদা ৱার্দ খরদা মীরেপ ওইরক্লবদি মখোয়বু ইন্থুবা ৱারগনি। মমাঙদসু লেপ্পু লেপ্পলবদি শোয়দনা কাগদবা মীওই কয়া ভোট লেপ্পবা হোৎনরম্বা থেংনখ্রে। লোকল-মেনগী অকনবা প্রেসরদগী লেপখিদবনি। কয়াম কুইনা প্রেসরনা থিংবা ঙমগনি? মীখল খুদিংগী প্রেসরনা তোকহনবা তাবরা? প্রেসরনা য়ারক্তবা মতম লাকপসু য়াই, মতমদুদদি শোয়দনা লিৎখৎলক্কনি, ৱায়েল চূপ্লি পায়খিবা তাবনি। খ্বাইরম্বন্দ বজারসু মীতৈগীনি হায়জবগী ৱানি, ইমা কৈথেল অহুম অমসুং পুলিসনা কোয়তান তাল্লিবা লম্বীগী মতাইদা মনা-মশিং য়োন্দুনা নোংমগী চরা তাঞ্জরিবা মীওইশিং অসি নত্তনা অতৈ করবার মচা-মচাদগী হৌরগা অচৌবা লল্লোন-ইতিক্কী থবকশিংদি মীতোপশিংগী মখূৎতা তাখিবনা অয়াম্বনি।

ঙসি ঐখোয় করি তৌগনি? ঈশ্বরনা তম্বনি খন্দোক্লসিরা নৎত্রগা মালেমগী ওইনা ওল্লক্লিবা শক্লোননি খন্দোক্তুনা লৈরগদ্রা? মীখল মতমদা লোকল-মেননা অকনবা প্রেসর পীদুনা মীতোপশিং ভোট লেপ্পা য়ারোই হায়বা ঈহৌ হৌবনা য়ারগদ্রা? ঐখোয়গী লাইফ লাইন ওইরিবা লম্বী অনী অসিদা লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লক্লিবা মীতোপশিং অসি থৎলগা হলহনখিবনা প্রোব্লেম অসিগী সোল্যুসন ওইবা য়ারগদ্রা? লৈকায়-লৈকায়দা চঙদুনা মীতোপ খন্দোক্লগা মরমদা হলহনখিবা ঙমগদ্রা? অকনবা ঈহৌ কয়া হৌদুনা, বন্দ-ব্লোকেদ তৌদুনা, লৈবাক শিনবা থুংনা ধরনা ফমদুনা মীয়াম্না য়াম্না পাম্না তানখিবা আই এল পি ঙসিদি লমদম অসিদা চৎনরে। মসিনা লমদম অসিদা মীতোপ চঙশিল্লকপগী প্রোব্লেম সোল্ব তৌবা ঙম্লগদ্রা? মসিনা মপূং ফানা চ্যেক তৌবা ঙমদ্রগনা মখা করি অমুক তৌবা তারি?

মতাং অসিদনি নহানৱাই আই এল পিগী ঈহৌ হৌরিঙৈদা খুরা তোমালনা লৈকায়গী হোটেলদা ফম্লগা ঙাঙখিবা অমা নীংশিংলকই, লমদম অসিদা মাগুম্বা ঙাক্তা ঙাইরবদি মীতোপ তানবগী বিল দরকার লৈতে, বিল পাস তৌদ্রবসু মখোয় মশা-মশানা চেঞ্জখিগদবনি, অনৌবসু লাক্লোই। মসিনি মানা ঙাঙথহৌবদু। ঙাঙবা হৌখ্রগা লেপ্পু য়াগন্দবা খুরাদুনা মখা তাথরকই, মখোয়না লাক্লিবা অসি শেল তানবা লাক্লিবা নৎত্রা? মখোয় অয়াম্বনা থবক শূগে, লল্লোনগে অদুগা শেল তানগে হায়বনি, লাকচসনু কৈদৌবগে, মখোয়দা থবক নেক্ত্রবা, মখোয়না য়োনবা পোৎ লৈবীদ্রগা লোইরে, মখোয় কয়াম কুইনা লৈবগে য়েংসি হায়বা, ঐখোয়না তান্দ্রবসু মফি অদুম য়োল্লগদবনি। মতম অমা জপানিজশিংনা অমেরিকানা শাবা পোৎ অমত্তা লৈদুনা শীজিন্নরমদে হায়। মখোয়না শীজিন্নদ্রবনিনা অমেরিকানা শাবা পোৎ অমত্তা য়োন্দে হায়। মসিনি মহাক্না ঙাঙথহৌবসি। মহাকসু মীতোপ্তা থবক নেক্তে, মীতোপ্না ফম্বা হোটেলদগী চা থক্তে, মীতোপ্না ফম্বা দুকান্দগী য়ারিবমখৈ পোৎ লৈরগা শীজিন্নদে হায়।

খুরা তোমালগী ৱাখল্লোন্দু য়ানীংবা পোকই। লমদম অসিদা লৈরিবা হয়েংদি কাঞ্জুল মূৎখিবা য়ানা লৈরবা য়েলহৌমী ওইরিবা ঐখোয়নবু লিংজেল মান্নরবদি করিগুম্বা খরদি তৌবা য়াই। যূম ভরা শাগে দাক্লিবা মীওইশিংনা মীতোপ্তা যূম শান্দোক্ত্রবা, থবক নেকপা মতমদা মখোয়দা নেক্ত্রবা, মখোয়না ফম্বা হোটেলদগী চা থক্ত্রবা, মখোয়না য়োনবা পোৎ ঙল্লিবমখৈ লৈদ্রবা, ঐখোয়না লম্বী থিংলুদ্রবসু মীতোপ চঙলকপগী চাং খরমখৈদি হন্থরক্কনি। থবক শূফম-নোম্ফমবু লৈত্রবা মখোয় কয়াম কুইনা লৈখিগনি? তাল্লুদ্রবসু মশানা চৎখিবা তাবনি। মখোয়বু তাথি-তাওইনা তৌরুগদবা নত্তে, ইশাগী যূম মীতোপ্তা শান্দোক্লোই, মীতোপ্তা থবক শূহল্লোই, মীতোপ্না য়োনবা পোৎ-চৈ লৈদুনা শীজিন্নরোই হায়বা অসি আইনগী মায়োক্তা লৈবা থবকসু নত্তে, ইশা-ইশাগী অনীংবা-অপাম্বগী মতুংইন্না তৌবা য়াই। অদুবু মসি তরায়-তরায়বা থবক অমদি নত্তে, মরমদি ঙসি লমদম অসিদা করবার তৌরিবা য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা লোইনমক নৎত্রবসু মীওই খরদি মতম পূন্নমক্তা ইগোগী অচৌ-অচৌবা ওভরকোট লীৎপসু য়াওরি। ঙাঙনবা য়াম্না নুঙাইতবা মীনা ঙাঙবা তাদবা, কুপথনা হংলুবদা খুল্লক্তবা, কষ্টমর খোমজিনবগী মহুত্তা তাম্থোকপা মীওই কয়া অমসু য়াওদবা নত্তে। থবক শূনবা নেকপদসু অদু মঙাই য়েলহৌমীনি হায়না নেক্লুরগা নোংমা-নীনি শূবা হৌরম্লগা এদভান্স ওইনা শেল খরা পৌরপ পায়শিল্লগা লাকখিদবা মশানা পুরকপা খূৎশু-খূৎলায় ফাওবা লৌবা লাকখিদবসু য়াওদবা নত্তে। অসিগুম্বা অমনা অমবু থাজদবা পোকহনগদবা থবকশিং তৌরোইদবনি। ঐখোয় মশেল চিংথনবগী মহুৎ অমনা অমবু মতেং পাংনদুনা চাওখৎমিন্নবা হোৎনমিন্নরবদি মীতোপ্পা খুদোংচাবা লৌবা ঙল্লোই, চিংথনরোইসি। চিংথনবগী মহুৎ মতেং পাংনদুনা ইনখৎমিন্নসি।? ●

# খ্বাইরম্বন্দগী অঙাওবা কাউরেল/থাদোক-ষণ

## (ইমা কেলি কৌবীনা য়োনবনা চানা/মঙ্গল অঙৌববু ‘কেলি-চানা’ হায়না খঙনখি, মহাক্কী ‘থাদোক-ষণ’ অদুবু অঙাওবা কাউরেন হায়না খঙনখি)

**- সৌবাম বিরধ্বজ -**

হৌখিবা চৈচৎ ১৯৬৫-১৯৮৫ অসিগী মনুংদা ওইগনি। হৌজিক্কী মীরোলনদি মতমদুগী অঙাওবা কাওরেন্দু মদুম্না তৌই থাজররোই। অঙৌবা মচুনি, ইমা কেলি-চানা য়োনবীনা নুমিৎ খুদিং মচীঙ্গাক থাদুনা পীজে। ইমা কেলি-চানা য়োনবীগী থোইদোকপা মগুণদি অঙকপনি, চানা/মঙ্গল য়োল্লিবা ময়ামদৈ ইমাদুনা পোৎ য়াম্না শিৎপা হেল্লি (য়াম্না হাওবা হেনবগী নত্তে, ঙাঙথোক-শক্তোরকপদা রাশি লৈবা অমসুং ফাগি পুবা মতৌদনি) ফাগি হেক-হেক থেৎলদুনা য়োনবদুদা মাগী মপাদুদা ‘ক্যু’ লেপ্পরিবনি। অদুম্না ফাগি তৌরদুনা য়োনবদুদা পোৎ য়াম্না শিৎপদুনা ফোং-ফোং শানা য়োল্লবনিনা পূন্নমক্না হেক্তা পাম্নরিবনি। অদুদগী মহাক্না মহাক্কী থাদোক-ষণ কাউরেল অঙাওবদু হেক উবগা, লাক্লো-লাক্লো অঙাওবা নঙসু চাররোই হায়দুনা (মতম-মতমগী কোবী, মনা-মশিং অমসুং কেলি-চানাদুগা) পূন্না নিংথিনা থারগা হেক-হেক পীজরিবনি। মরম অদুনা বজারগী মনা-মশিং য়োনবী ইমাশিংনা মাগীদমক মচীঙ্গাক তমদুনা পীজনৈ। কনাগী চুজাক কবোক, শেম, অঙ্গুর, তল, চাক, খেচ্রি, লফোই, কিহোম, মঙ্গ্রা, হঙ্গাম, কোবী, লফু, লফু-থরো, চু, খোঙদ্রুম, মাইরেন, ফদিগোম, তেংনৌমানবী, য়োংচাক, তর্ব্বুজনচিংবা মানা চাদবা লৈতে। মাগীনি থারক্লবদি পোৎ য়োল্লিবীদুনা থারক্লিবদু হেক্তা চাথোক্লে। মপুক থল্লগদি মচি অমদা কুল্লদুনা লৈখ্রে। নোংমদি ভৈগ্যচন্দ্রনা শামু ফাবগী মুর্ত্তি মনাক্তা হেক কুল্লরে, মায়ওন মান্ননা কুল্লবদুদদি শামু মচা কয়া মাল্লে, নোইনা ৱাং-চাউবদুননি। শামুগী মনাতোন অশাংবদু পান্দবনিনা শামু নত্তে ষণ অচৌবা (অঙাওবা কাউরেল) নি হায়বদি নাখৈ শেংলে। কেমেরা পুদুনা চৎপা নত্তবনিনা ফোটো নমহৌদে (মোবাইল মতম নত্তবনিনা) কাউরেলদুগী শক্তম লৈনরমগনি থাজদ্রে। অঙাওবা কাউরেল অসিগী মচা ধারা অমা থল্লন্মী (দি এন এ) টেষ্ট তৌরবসু/তৌদ্রবসু মহাক্কী মচানি (ফোটো) নি হায়না পূন্নমক্না য়ানরবনি।

বজারগী কাউরেল অঙাওবনা (শা-ষণ/হূই অঙাওবগী মতৌদু নত্তে, মঙাও থীবা মতৌ) অদুগীদমক অঙাওবা কাউরেল হায়নবগী ৱানি। খুদম খরা :- থারক্লিবা মচীঙ্গাক অদু তপ্না-তপ্না চাজে, করিগুম্বা চৈনা কল্লুরবদি (চৈনা ফংনা ফুরুরবদি) পোৎ-চৈ মপৈদু চাইখাইদুনা চাথোকই, ঈশিং হৈজিল্লগনা অমুক্কসু হেন্না শাওরকই। মহাক্না শাওরকপা তানফমদদি মী পূন্নমক কায়দুনা চেল্লি। শাওহন্দ্রবদি করিসু তৌদে, নান-নান্দুনা শান্নবা য়াই। অঙাং মচা মনঙ্গলদা থাংগৎপদা মমৈ হাইরদুনা তপ্না-তপ্না চৎলিবনি। মপুক থল্লবা মতমদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদগী তপ্না-তপ্না উরিপোক লম্বী, তেরা কৈথেল লম্বী, থাংমৈবন্দনচিংবা মায়কৈ পূন্নমক্তা তপ্না-তপ্না মোং-হাদনা থোরক্লে। মীয়াম্নসু মাবু উরগা থৌওইনা য়েংনরিবনি, ৱাং-চাউই, মশা-মউ ফখ্রে হায়দুনা থৌওইনা মচীঙ্গাক থাবীদুনা পীজনরিবনি, কুম্মৈ মখল অমগুম্না।

অঙাওবা কাউরেল অসিগী খ্বাইদগী অশাওবীদি, ষণ-গাড়ী চিংলিবা ষণ জুরাদুনি। ষণ গাড়ীদা মান পুদুনা লাকপা থেংনরবদি মহাক্না য়াম্না শাওই, শু-শু কাম্লদুনা মখোঙ য়েৎ-ওইদুনা লৈবাক্তা পংখোত্তা খোৎলদুনা নবানিমক পুল্লপ ৱাইখায়রগে মতাগুম ধপ তৌরকপদা ষণ লাবা অনীদু ষণ গাড়ী থাধরল্লগা কায়দুনা চেন্নখি। ষণ গাড়ী মপুদুনা ষণ লাবা অনীদু অমুক্তা ফাবিনবা কোইরাউ-লাউরিবনি, মীয়াম্না তান্নরদুনা ফাবিরিবনি। অঙাওবা কাউরেলনা খল্লিবসি ১) মাগুম্না অহাওবা চাদুনা লৈতদুনা করিগী গাড়ী চিংলিবনো? ২) ষণ লাবা জুরা অনীগা মতোমতগা চাং য়েংনসি হায়রিবরা? ৩) মহাক্না লৈরিবা জ্যুরিসদিক্সনদা চঙলকপগীদমক্লা, হায়রিবা ৱাফম অহুমসি শোয়দনা ওইফম থোকই। অঙাওবা কাউরেলনা ধমকা তৌরকপদা পোৎ পুরক্লম্বা ষণ জুরা অনীদুনা পাখৎখিদুনা শমজি-খাইনা (খা-ৱাংদা) তোঙান-তোঙানবা মায়কৈদা চেন্নখ্রবদি ষণ গাড়ী মপুসু লৱাই-লুতোন চপ য়ুংলিবনি। খঙদে, ষণ-গাড়ী মপু অমসুং ষণ জুরা অনীদুনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল য়ৌশিল্লকপদা নুংশা থীনা শ্বর থবেৎ-থবেৎ হোল্লদুনা লাপ্লিঙৈদগী মমিৎ লাউথোক্লদুনা অঙাওবা কাউরেল উবরা য়েংলিবনি। তশেংনমক ষণ গাড়ী মপুদুনা লম্বীদা অঙাওবা কাউরেল লৈহৌবগা থেংনবিব্রা হায়না পাখৎতুনা হংজরিবনি। অশেংবৈ লৈহৌবনি হায়রবদি ষণ গাড়ীদু লম্বী থৈবা নৎত্রগা ষণপোৎ অনীদু গাড়ী খাল্লগা লৈরক লম্বীদা থৈদোক্লগা ঙাইহাক লৈরিবনি।

চৈচৎ ১৯৭৫-১৯৯৫ ফাওবগী মতমদা খ্বাইরম্বন্দগী অঙাওবা কাউরেল অসিগী মচা (দি এন এ) চাংয়েং তৌবদা শোয়দনমক চুম্লগদৌবা মচা ধারা অমা থল্লম্বদুনা পাল্লন্মী। পাখঙ শোইনৌ/লমচা মচা ওইরিঙৈ মপা লৌই, শাবানদা, মচীঙ্গাক চাবদা, কুনবদা পুরা মপাদা মপা লৌই হায়বদুনি। অদুবু মপা অঙাওবা কাউরেলগুম খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা মনীং তম্না অঙাওবা কাউরেল ওইনা কুইনা লৈবা ঙমখিদ্রে। ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল এক্ট অমগী মতুংইন্না ষণ, শগোল, হূইনচিংবশিং (ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল মনুংদা) থাদোকপা য়াখিদ্রে। তপ্না-তপ্না খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদগী তামখ্রে, মশক উখিদ্রে, কৈথেলদগী মনা-মশিং চাখিদ্রে। মরক-মরক্তা ফৎ উখি নোং-ফাদোক, ময়াং য়াম্না কংশিল্লম্মে, চাবা ৱাৎপনা ওইরমগনি।

অঙাওবা কাউরেল ষণগুম্বনা মহাক্না পাল্লিবা জ্যুরিসদিক্সন্দা মহাক্না য়ানীংদ্রবদি ৱাইখায়গনি হায়না ধপ তৌবদা ষণ পোৎপা অনীনা কোয়চেন চেনবগুম্না হৌজিক্তি কুকি জ্যুরিসদিক্সন্দা চঙলুবা মহৈরোয় অনীগী মশা থিবা খঙদনা লৈরি। মদুগী পাউখুম মানবা মতৌদা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট অনীগী লোন্নবদা লৈবা কাংচুপ চীংখোঙদগী কুকি মঙা (লুহোংবা য়াওবা লাকপদা) শকখঙদবনা ফারুবদগী অমা নাম্থোকখ্রে। নাম্থোকখিবদুসু মফম মরাং খঙদবগা লোয়ননা জ্যুরিসদিক্সন লানশিনবা য়ান্নদবগী ফীভমদা লৈরক্লিবসিদি অঙাওবা কাউরেলনা মহাক্না লৈরিবা জ্যুরিসদিক্সন্দা চঙলকপা য়ারোই হায়বগী মতৌদুগা য়াম্না মান্নরক্লি। অসুম্না খুল্লং-লমন শীংনবা মানবা মতৌসি অফবা খুদম নত্তে। কোটুনা পুং ২৪গী মনুংদা ফাখিবা মঙা শিন্নরক্কদবনি হায়না অকনবা ফিরেপ লৌরি, লোয়ননা মহৈরোয় অনী নৌহৌননা ফাখিবা অমসুং মখোয়না পায়রম্বা মোবাইল ফোন অনী সেনাপতি দিষ্ট্রিক্তা লৈবা থাও হানফম অমগী মনাক্তা ফংলে হায়রিবদুগা কোটুগা মরী অমত্তা লৈনদে হায়না শেংদোরক্লিবসিসু ‘হুরানবা নকোক্তা নাপী পক্লে’ হায়রুবদগী মকোক্তা নাপী পকপ্রা য়েংলুবগা য়াম্না মান্নখ্রে। থৌদৌ অসি অফবা নত্তে, মঙদা মঙ্গ্রা তাল্লুরগা তাইবঙদা থিবগুম্বনি।

লোইশিল্লকপদা ৱাফমসি নীংশিংজরি ‘হন্দক্কী চহীসিমদি ঐখোয়গী চীংখোঙ চীংয়াদা (পেরি-ফেরিদদি) লৌ পাল্লগুমসি, পাল্লুরবসু নমৎ মাঙগনি, লোক্লমদাইদা মৈ থাদোকখিগনি, লৌ য়ৌবা লোইশিল্লকপদা নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা ফৌ পূন্নমক পুখিগনি। মণিপুর লৈঙাক্লা সিক্যুরিটি পীদুনা লৌ পানবা হৌনদে, সিক্যুরিটি পীরসু ওইথোক্লোই, তমথীবা ফৎত্রবা কুকি কম্যুনিটি অমসুং এক্সত্রিমিষ্টশিংনা ওভর পাৱর তৌদুনা সিক্যুরিটিদগী খূৎলায়শিং নমদুনা মুনখিগনি মতমদুদা লৌ উজরিবা মীচম মীয়ামশিং পাক্তক্লনা অশি-অনা, অশোক-অপনশিংগী মীকপ-মীরাওখোলনা নিল্লগনি। হন্দক্কী কুমগী ওইনদি তম্পাক্কী লৌফমদগী লোকচবা ফৌদু য়েন্নদুনা চামিন্নরসি।’ হায়না চেফোঙ অসিদা চহী অসিগী তাং ৩১/০৭/২০২৩, নিংথৌকাবা নুমিৎকী আর্টিকল ‘নোংমদা পোকপা মচানা অনীরক শিবা হৌনবরা! (২)’ হায়না মিংথোনবা ৱারেংদুগী অরোইবা কলমদা ইজ খ্রবনি। ৱাফমশিংদু হৌজিক থোকপা খরা খরা হৌরক্লে, মখা য়াম্না শাংথনরক্তবা ওইরসনু হায়না মপু মাগী মফমদা থম্মোয় শেংনা খুরুমজরি। ●

| হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৭ |
| --- |
| ১) **‘‘ছৈরেং অনৌবা’’** হায়বা লাইরিক অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্নি। অইবসি কনানো? |
| ২) **‘‘ভর্ত্তৃহরিশতকত্রয়ম্’’** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে ? |
| ৩) **‘‘য়াইথিংকোনু’’** (২০০৪) হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? |
| ৪) **‘‘য়ুরম্বীর চক্র (য়ু থকপগী মনা)’’** হায়বসি ৱারীমচা অমগী মমিংনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক অসিগী মমিং করিনো অমসুং অইবা কনাগী লাইরিক্নো? |
| ৫) **‘‘লৈমপাৎকী থারিকথা’’**হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্নি। অইবসি কনানো? |
| মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি। |

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।